# কবেরি ইশুদা দি এম কে গী লুচিংবা এম কে ষ্টেলিন্না অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে



**টিরুচিরাপলি, এপ্রিল ৭ :** দাবিদ্র মুনেত্র কজাগম (দি এম কে) গী প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিন্না কবেরি ইশুগী মতাংদা তামিল নাদুগী মফম শিন-থুংনা পাঙথোক্কদবা খোঙজং ঙসিদগী হৌখ্রে।

লুচিংবা অদুনা কবেরি মেনেজমেন্ট বোর্দ খুদত্তুগী লিংখৎনবা অমসুং লৌমীশিংগীদমক ঈশিং থাদোক্লবা তকশিল্লি। ঙরাং কবেরি তুরেল ঈশিংগী মতাংদা ষ্টেট শিন-থুংনা দি এম কে না সটদাউনগী খোঙজং চঙশিনখিবা মতূং ঙসি কবেরি তুরেলগী কংলবা তুরেল খোঙবান্দগী মহাক্কী খোঙজং অদু হৌদোকখি। ঙসিগী খোঙজং হৌদোকপা নুমিৎ অদুদা দি এম কে গী কাদর অমসুং তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী থৌমী লীশিং ১০ হেনবনা শরুক য়াখি। সি পি এম অমসুং সি পি আই গী লুচিংবা কে বলাকৃষ্ণন অমসুং আর মথুরা সালনচিংবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। মদুতা নত্তনা ভি সি কে, এম এম কে গী লুচিংবশিংসু ষ্টেলিনগা লোয়ননা কবেরি খোঙচৎ অদু পাঙথোকমিন্নখি।

দি এম কে গী থৌমীশিংনা এ আই এ দি এম কে গী মতমদা কবেরি তুরেলগী ৱাথোক অদু লোয়শিন্নবা হোৎনরমদে। দি এম কে না হৌজিক সেন্টরদা প্রেসর পীদুনা চৎলিবা থা অসিগী ৫ দা তামিল নাদু ষ্টেট শিন-থুংনা সটদাউনগী খোঙজং চঙশিনখ্রবনি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা রেলি অদু রাজনিটিগী ওইবা খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনবা নত্তে। কবেরি তুরেলগী মতাংদা ঐখোয়গীসু হক লৈ। ওপোজিসন পার্টিশিংনসু ষ্টেলিনগী ৱাফম অদু য়াবগা লোয়ননা মায় পাক্লা ষ্টেলিনগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াহনখি।

ষ্টেলিন্না হায়, সুপ্রিম কোর্টনা কবেরি মেনেজমেন্ট বোর্দ শেম্নবগী অরোয়বা মতম মার্চ ২৯ ফাওবা থাখ্রবসু থবক অমত্তা পায়খৎতনা লৈরে। হন্দক ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর কে পলানি স্বামিনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা কেভিনেট মীফমনা সেন্টরদা কবেরি মেনেজমেন্ট বোর্দ লীংবগী মতাংদা হায়জবগী ৱাফম অমত্তা পুথোকখিবা লৈতে হায়না মরাল শীখ্রে।

দি এম কে গী লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, লৈঙাক পায়রিবা কাঙবু অসিনা দি এম কে গী ৱাফম থৌশাদ্রে। সেন্টরদা প্রেসর পীননবগীদমক এম পি শিং পাক শন্না রিজাইন তৌবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই।

রাজ্য সভাদা দি এম কে গী এম পি ৪ লৈ। অদুগা তামিল নাদু এসেমব্লিগী ওইনা দি এম কে না ওপোজিসন লুচিংবা ওইরিবনি। সেন্টরনা খুদক্তা ময়েক শেংবা থৌশিল অমা পায়খৎতুনা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং ইনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙজং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা তামিল লোন্দা শকপা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাকপু মরাল শীবা ঈশৈ হৌনা থাবগা লোয়ননা খোঙজং অদু হৌখি। ঙসিগী ওইনা খোঙজং অদু ষ্টেলিন্না লুচিংদুনা হৌদোকখি। মদুগা মান্ননা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কে রাজা অমসুং দি এম কে গী সেনিয়ার লীদরশিংনা এপ্রিল ৯ দা অরিয়ালুর দিষ্ট্রিক্টতগী খোঙজং অমসু হৌদোক্কনি। খোঙজংশিং অদু মখা তানা চথরকপগা লোয়ননা এপ্রিল ১৩ দা কুদালোরদা থুংগনি। মফম অদুদা অচৌবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কবেরি তুরেলগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ৱারেপ কয়া লৌগনি হায়রি।

দি এম কে না লুচিংদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা অদুদা পার্টি কয়া য়াওশিনখিবনা মরম ওইরগা এ আই এ দি এম কে তোঙান তাহৌরে হায়রি।

## ৱাহং লিক ওইখিবগা মরী লৈননা স্কুল অমগী ষ্টাফ অহুম ফারে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৭ :** সি বি এস ই না লৌবা ক্লাস টুৱেল্বকী ইকোনোমিক্স পেপর লিক ওইখিবগা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসনা ঙসি হিমাচল প্রদেশকী স্কুল অমগী ষ্টাফ মেম্বর অহুম ফারে।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না ফারবা মীওইশিং অদুদি হিমাচল প্রদেশকী উনা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা দি এস ভি স্কুলগী এক্সামিনেসন সুপরিনটেন্দেন্ট রাকেশ, ক্লার্ক ওইবা অমিট অমসুং পিওন অশোকনি হায়রি। মখোয় দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ফ্রাঞ্চনা ফাগৎখিবনি। ফারবা মীওই অহুম অদু উনাদগী দিল্লিদা মখা তাবা ৱাহং পাউহং চত্থনবা পুখ্রে হায়রি।

মার্চ ২৬ তা পাঙথোকখিবা ইকোনোমিক্সকী পরীক্ষা অদুগী খূৎনা ইবা ৱাহং অমদি পাউখুমশিং পরীক্ষা হৌগদবা নোংমা ৱাংলিঙৈ মমাঙদা হ্বাটএপসতা থাগৎনরকপা থেংনখি। থৌদোক অদুগী মতূং সি বি এস ই না মার্চ ৩০ দা ক্লাস টুৱেল্বকী ইকোনোমিক্স পরীক্ষা অদু এপ্রিল ২৫ দা অমুক হন্না পাঙথোক্লগনি হায়না লাওথোকখিবনি হায়রি।

## সলমান খান বেল পীখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৭ :** ব্লেক হক হাৎলুবগী কেসকা মরী লৈননা যোধপুর জেলদা অহিং অনী লৈরকখ্রবা সলমান খাননা বেল পীবিনবা হায়জরকখিবা অদু জজ রবিন্দ্র কুমার জোসিনা হিয়ারিং চত্থরবা মতূং ঙসি মহাক বেলদা থাদোকখিনবা য়াথং পীখি।

সলমান খাননা পার্সোনেল বেল পীবিনবা হায়জরকপগা লোয়ননা লুপা লীশিং ৫০ গী বেল বোন্দ থমখি অদুগা অতোপ্পা মীওই অনীনা লুপা লীশিং ২৫/ ২৫ গী সিক্যুরিটি থমদুনা গরেন্টি তৌখি।

সলমান খানগী উকিলনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা বেল পীবগী চেরোল অদু যোধপুর সেন্ট্রেল জেলদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদা য়ৌহনখ্রগনি। মদুগী মতূং পুং ১ নৎত্রগা ২ লৈরগা মীওই অদু জেলদগী থাদোরক্লগনি। অদুম ওইনমক কোর্টকী অয়াবা য়াওদনদি মহাক লৈবাক অসিগী ৱাংমদা চৎপা য়ারোই হায়রি।

চহী ৫২ শুরবা এক্টর অদুনা চহী ২০ গী মমাঙদা ব্লেক হক অনী রাজস্থানগী যোধপুর মনাক্তা লৈবা কনকানি খুঙ্গংদা হাৎখিবগা মরী লৈননা কোর্টনা চহী ৫ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না সায়িফ অলিখান, তবু, নিলম কোথারি অমসুং সোনাল বন্দ্রেনা এস য়ু ভি কার অমদা নুমিদাং অথেংবা অদুদা শা তানবা চৎখি হায়না মরাল শীখি। অদুম ওইনমক মহাক্না লোয়নখিবা মীওইশিং অদুদি চপ চাবা মরাল ফংদে হায়বগা লোয়ননা কোর্টনা থাদোকখিবনি হায়রি।

## নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি ওলিনা শেল হেন্না থাদবিরক্লবা হায়জখ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৭ :** নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি ওলিনা লৈঙাক পায়রক্লবা মতূং অহানবা মপান লৈবাক্তা চৎপা খোঙচৎ ওইনা ঙরাং ইন্দিয়াদা থুংলখ্রবা মতূং ইন্দিয়ানা হিমালয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা লমদম অদুদা শেল মরাং কায়না থাদবিনবা ৱাফম পুখৎখ্রে। লোয়ননা লৈবাক অদুবু তংদু লৈতাবা অমসুং শেল থাদবগী খ্বাইদগী ফবা মফম অমা ওইহন্নবসু খঙহনখি।

হৌজিক নেপালদা শেল চাউনা থাদরকপগী তঙাই ফদবা লৈ। ইন্দিয়াগী কম্পনিশিংনা নেপালদা শেল থাদবিনবা হায়জখি। হৌজিক হিমলায়াগী লৈবাক অদু ফোরেন ইনভেসমেন্টকী খ্বাইদগী ফবা মফম অমা ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী লৈঙাক্না চাউনা মেজুরিটি ফংখিবা অদুনা চীং লৈবাক অদুদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা লৈহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। হেন্না পাক চাউবা শেল-থুমগী ফিভম অমা ওইবা লৈবাক অমা ওইরগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ওলিনা ৱাতর ৱে অমসুং ইন্দিয়াবু শৌগৎপা রেলৱে প্রোজেক্ট হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবগী অপান্বা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা নেপালগী পাউ-চেশিংদা ফোঙনরকখিবদা ওলিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা মকোক থোংবা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা নেপালদা পায়খৎলিবা ইন্দিয়ানা ফন্দিং তৌবা প্রোজেক্টশিং অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা অমসুং মহাকালি তুরেলগী ঈশিং য়েন্নবা লোয়ননা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট থম্নবগী মতাংদা খন্নরবা য়াই হায়রি।

ওলিগী ইন্দিয়া খোঙচৎ অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইরি। লৈবাক অদুনা চিনাগা হেন্না নকশিন্নহনখিবগী মহুৎ ইন্দিয়াগা হেন্না নক্লবা মরী থম্বা হায়বদু খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌশিল অমা ওইরিবনি।

## পঞ্চায়ট মীখল মাঙওইননা সি পি আই (এম) গী লুচিংবা অমদা এটেক্ট চত্থরম্লে

**পুরুলিয়া, এপ্রিল ৭ :** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পুরুলিয়া দিষ্ট্রিক্টতা সি পি আই (এম) গী অহল ওইরবা লুচিংবা অমসং হান্নগী এম পি বাসুদেব অচার্রিয়াবু ট্রিনামুল কংগ্রেকী থৌমীশিংনা এটেক্ট চত্থরম্লে। মদুতা নত্তনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পঙ্কুরা লমদমদসু ট্রিনামুল কংগ্রেকী মীওইশিংনা বি জে পি গী লুচিংবা অমদসু এটেক্ট চত্থরমখি। মথং থাদা পাঙথোক্কদবা পঞ্চায়ট মীখলগী নোমিনেসন ফাইন তৌননবা বঙ্কুরা দি সি এফিসতা লাকপদা ট্রিনামুল কংগ্রেসকী মীওইশিংনা বি জে পি গী লুচিংবা অদুদা এটেক্ট চত্থরমখিবনি।

অচার্রিয়াসু মহাক্কী পার্টিগী মীওই অমা নোমিনেসন ফাইন তৌননবা কাশিপুরদা লাকপদা মীওই কয়াসু ট্রিনামুল কংগ্রেসকী ৱাকরশিং অদুনা এটেক্ট চত্থরমখিবনি। চহী ৭৫ শুরবা সি পি আই এম গী লুচিংবা অদু মীওইশিং অদুনা লৈমায়দা ইন্থুবগা লোয়ননা চৈনা কন্দুনা ফুখি। মহাক হৌজিক হোস্পিটালগী ইনটেন্সিফ এয়ার য়ুনিটতা থমদুনা লায়কন্নরি। থৌদোক অদুদা পার্টি অদুগী লুচিংবা অমসুং থৌমী কয়া অশোক-অপন নংখি।

সি পি এম না ট্যুটরদা ফোঙদোরকখিবদা ট্রিনামুল কংগ্রেসকী গুন্দাশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা সি পি এম গী কমরেটশিংদা পাক শন্না এটেক্ট চত্থরক্লি। ঙসি কমরেট বাসুদে অচার্রিয়া অমসুং মাপল্লক হন্না এম পি ইরম্লবা মীওই অদুদা এটেক্ট চত্থরকখে হায়রি।

পামদবা থৌদোকশিং লাকশিন্দুনা ষ্টেট অদুদা দিমোক্রেসি কনগদবনি হায়রি।

## ঈশিংগী শরুক্তগী টেরোরিষ্টশিংনা এটেক্ট চত্থরকপা য়াবগী চিংনবা লৈবনা গৌৱাদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে



**পনাজি, এপ্রিল ৭ :** ঙামীশিংগী হি শীজিন্নদুনা টেরোরিষ্টশিং গৌৱাগী সমুদ্র খোঙবান্দা চঙশিল্লকপা য়াই হায়বা ইন্টিলিজেন্সগী অকক্লবা পাউ ফংবগা লোয়ননা ঙরাংদগী হৌনা গৌৱাগী সমুদ্র খোঙবান্দা লৈরিবা বেসেল অমসুং তোঙান তেঙানবা হিশিং লোয়ননা সমুদ্র খোঙবান্দা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়না গৌৱা স্পোর্ট মিনিষ্টর জয়িস সনগাওকরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্কী দিপার্টমেন্টনা সমুদ্র খোঙবান্দা লৈরিবা ৱাতর স্পোর্টস ওপরেটর অমদি কারসিনোশিং চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবক পায়খৎলি। ইন্দিয়ান কোষ্টগার্দনসু ইন্টিলিজেন্সকী পাউ অদুবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা নোংচুপ থংবা লৈবাক অসিগী সমুদ্র খোঙবানগী পরীংশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। অকক্লনা গৌৱাদা এটেক্ট চত্থরকপা য়াই হায়গী ৱার্নিং লৈবনা লমদম অদুদনা হেন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়াগী ঙামীশিংগী হি অমা পকিষ্টান্না ফাজিল্লুরবা মতূং থাদোকখ্রে হায়বা খঙলে। মখোয়না হল্লকপদা টেরোরিষ্টশিং পুশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হয়রি।

## কনাদাগী হোকী টিম পুবা বস, ট্রক্ট অমগা থোমজিন্নবদা মীওই ১৪ শিরে, ১৪ শোকখ্রে

**ওট্টাৱা, এপ্রিল ৭ :** জুনিয়ার আইস হোকি শান্নরোয়শিং পুবা বস অমা অমসুং মায়োক্লনা লাকপা ট্রক্ট অমগা থেংজিন্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে হায়বা কনাদা পুলিসনা কনফার্ম তৌখ্রে।

সকটচেৱন প্রোভিন্সকী অৱাং থংবা টিসদালগী নেসনেল হায়ৱে-৩৫ তা ঙরাং ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। রোয়েল কনাদিয়ন মাউন্টেট পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা বস অদুদা ড্রাইভর অমা য়াওনা মীওই ২৮ তোংখিনি। মনুংদা মীওই ১৪ লৈখিদ্রে অদুগা বস অদুদা তোংলকখিবা অতোপ্পা মীওই ১৪ না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। অশোকপশিংগী মনুংদা মীওই অহুমগী ফিভম লুরি হায়রি।



প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রদিয়ুনা ট্যুটরদা ফোঙদোরকখিবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা শান্নরোয়শিং অদুগী মমা-মপাদা করি ফাওরমগদগে হায়বা অদু খনবদা ৱাই। তমথিরবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুনা মহাক্কী থম্মোয়বুসু শোকহল্লে হায়খি।

হম্বোল্ট ব্রোনকোস টিম অদু সকৎচেৱন্দা পাঙথোকপা জুনিয়ার হোকি য়াওননবা চৎখিবনি। শান্নরোয়শিং অদু চহী ১৬ তগী ২১ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংনি হায়রি।

রোয়েল কনাদিয়ান মাউন্টিট পুলিসকী ইন্সপেক্টর টেদমুনরোনা হায়, খুদোংথিবা থোকখ্রবা মফম অদুদা অথু-অখায়গী ওইনা মী কনবগী থবক পায়খৎলি। অথু-অকায়গী ওইবা পাউ ফাওননবা অমসুং সপোর্ট সেন্টশিং হাংদোক্তুনা থম্লে। শান্নরোয় অমগী অপোকপা অমনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী মচানুপানা ফোন তৌরকপদগী মহাক খুদোংথিবা থোক্লিবা মফম অদুদা লাকখি। ওইরম্লিবা ফিভম অদু কা হেন্না তমথিবা অমসুং মাঙ তাক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অমনি। টিম অদুগী প্রসিদেন্ট কেভিনগেরিনরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা লৈখিদ্রবা শান্নরোয়শিং অদুগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা ঈশ্বরদা থৌনিরি। চাংদম্লনিঙাই লৈত্রবা অমাঙ-অতাগী থৌদোক অদুদা ব্রোনকোস টিমনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়রি।

## নোংপোক থংবা ঘৌটাদা মী হোন্দোকপগী থবক চত্থরিঙৈদা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থরক্তুনা মীওই ৩০ হাৎখ্রে

**দমাস্কস, এপ্রিল ৭ :** সিরিয়াগী নোংপোক থংবা ঘৌটাদা অকনবা মওংদা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা নুপী অমসুং অঙাং কয়া য়াওরি।

চয়োল অনীরোম মফম অদু ইংনা লৈরুরবনি অদুম ওইনমক ঙসি অকনবা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থরকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখ্রে। সিরিয়া ষ্টেট মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবদা এয়ারষ্ট্রাইক অদু রিবেলশিংনা সেল কাপশিল্লকপগী পাউখুম ওইনা চত্থিখিবনি।

লৈঙাক্লা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মফমশিংদা জৈয়স অল-ইস্লামগী রিবেলশিংনা মখোয়গা খুদুম চনবা দৌমাদগী সেল কয়া কাপশিল্লকখি। ঘৌটাদগী মীচমশিং হোন্দোকখিনবা য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্তুনা থল্লি হায়রি।

সনা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবদা জৈয়স অল-ইস্লামনা য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্লা চত্তে। মখোয়না ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওইশিং অমুক হন্না থাদোকপগী ৱাফম য়াদ্রি হায়রি।

নাকল অমরোমদা জৈয়স অল-ইস্লামগী পোলিটিকেল ওফিসার মহমদ অলুসনা অল-হাদট টি ভি দা হায়, মীচমশিংগী ঈ তাননবা থোঙ থাংজিনবা পামদে, শান্তি ওইবা ফিভম অমদা লৈহনবা পাম্মী হায়খি।

চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী সিরিয়া লৈঙাক অমসুং চুঙশিন্নবা কাঙবুনা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থরকপদা মীওই ১৬০০ হেন্না শিখ্রে অদুগা মীওই লীশিং কয়ানা অশোক-অপন নংখ্রে। লৈবাক অদুগী কোনুং দমাস্কসকা নক্লবা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা অরোয়বা মফম অমা হায়রগদি নোংপোক থংবা ঘৌটানা ওইরে। লমদম অদুদা লৈরিবা মীচমশিং হোন্দোকখিনবা অমদি অনা-অয়েক নংলবশিং লায়কন্ননবা য়ু এন গী থৌশিল কয়া চত্থরি। অদুম ওইনমক সিরিয়া লৈঙাক্লা নৌনা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থরকখিবা অদুনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়রি।

## পপুৱা ন্যুগিনিদা মেগ্নিচুদ ৬.৩ য়ৌবা অকনবা য়ুহার হাখ্রে

**সিদনি, এপ্রিল ৭ :** পপুৱা ন্যুগিনিদা ঙসি মেগ্নিচুদ ৬.৩ য়ৌবা অকনবা য়ুহার হাখ্রে। লমদম অদুদা মেগ্নিচুদ ৭.৫ য়ৌবা তমথিবা য়ুহার অমা থা অনীগী মমাঙদা হাখিবগী অতেক-অকায়শিং শেমগৎপা লোয়বদা ঙায়রিঙৈদা ঙসি অমুক হন্না অকনবা য়ুহার অদু হারকখিবনি হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সভেনা ফোঙদোরক্লি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ুহার অদুনা কয়া য়াম্না মাঙ তাকখ্রবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

ইঙ্গা প্রেভিন্সকী খা নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৮২ চৎলগা লৈবা পোরগেরাগী লৈনুংগী কিলোমিটর ৪৭ য়ৌবা মফমদগী য়ুহার অদু হৌরকখিবনি।

য়ুরোপিয়ান আর্টক্বেক মোনিটরনদি য়ুহার অদু মেগ্নিচুদ ৬.৫ য়ৌখি হায়না অহানবদা ফোঙদোক্লমখি। তুংদা য়ুহার হাবগী চাং অদু অমুক হন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা ৬.৩ নি হায়বা কনফার্ম তৌখি। থা অনীগী মমাঙদা লমদম অদুদা হাখিবা মেগ্নিচুদ ৭.৫ য়ৌবা অকনবা য়ুহার অদুনা পপুৱা ন্যুগিনিদা মীওই ১২৫ শিহনখি। অদুগা মীওই লীশিং কয়ানা ময়ূম মকৈ লৈহনখিদে। অকনবা য়ুহারঅদুনা মাইনিং অমসুং পৱার সেক্টরদা চাউনা অকায়বা থোকহনখি হায়রি।

ফেব্রুৱারী থাদা হাখিবা অকনবা য়ুহার অদুগী মতূংদা লৈবাক অদুগী থাউ খ্বাইদগী মরাং কায়না পুথোক্লিবা গোবে ফিল নীংথিনা থবক তৌবা ঙমদনা লৈরিবনি হায়রি।

লেনস্লাইট থোক্তুনা য়ূম কয়া ফুমজিনখি। লোয়ননা লম্বী কয়া তৎখি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট মতূং ইন্না মীওই লাক্ষ ২.৭০ দা খুদক্কী ওইবা মতেঙ পীবগী তঙাই ফদবা লৈরে।

ন্যুগিননি পেসিফিক রিং ওফ ফাইয়ারগী মথক্তা লৈবা য়ুহার তোয়না হাগনবা মফম ওইরি। প্লেটটেক্তোনিক থিওরিগী মতূং ইন্না প্লেটশিং তকশিন্নবনা মরম ওইরগা রিং ওফ ফাইয়ারদা সিজমিক এক্টিভিটি কয়া থোকহল্লি। পাপুৱা ন্যুগিনিদা য়ুহার হাবগী থৌদোক অনৌবা অমা নৎত্রে হায়রি।

## অম্বেদকরগী মিতম অমসু থুগাইরম্লে

**বালিয়া, এপ্রিল ৭ :** উত্তর প্রদেশকী বালিয়া দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থেরৱারি খুঙ্গংদা বি আর অম্বেদকরগী মিতম অমসু থুগাইরম্লে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

নাগ্রা পুলিস ষ্টেসনগী ইনর্চার্চ রাম দিনেস টিৱারিনা হায়, খুঙ্গং অদুদা লৈবা বি আর অম্বেদকরগী মিতম অদুগী য়েৎ থংবা খূৎ, খোঙ অমসুং কোক্কী শরুক অমাঙ অতা থোক্তুনা লৈরম্বা ঙসি অয়ূক থেংনরকখি।

দিপ্যুটি এস পি অভদেস চৌধারিনা মফম অদুদা চঙশিনখিবা মতমদা লমদম অদুগী মীয়াম্না থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখি। লমদম অদুদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লনবগীদমক অহেনবা ফোর্স থাজিনখ্রে।

মিতম থুগাইরম্বগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মশক খঙদবা মীওইশিংগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎখ্রে। ফিরোজবাদ, ইটাহ, সিদরৎনাগর অমসুং এলাহবাদ দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা মিতমশিং চপ মান্নবা মওংদা মাঙহন তাকহল্লম্বগী থৌদোক থোকহল্লমখিবা লৈখ্রে। চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

## মেঘলায়াগী হেল্থ মিনিষ্টরগী মচানুপানা থোমগাইবদা পুলিস পোর্সোনেল ১ শিরে ১ শোক্লে

**শিল্লোং, এপ্রিল ৭ :** মেঘলায়াগী হেল্থ মিনিষ্টরগী মচানুপানা থৌরকপা মার্সিদিস কার অমনা মোতোর সাইকল অমদা থোমজিনবদা জেল পুলিস পার্সোনেল অমা শিরে অদুগা অতোপ্পা কন্সটেবল অমনা অশোক-অপন নংখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না খুদোংথিবা থৌদোক অদু ঙরাং অহিং পুং ১২.৪৫ রোম তাবদা শিল্লোংগী ফোরফরলোং ত্রাই জংসন্দা থোকখিবনি। মিনিষ্টর অলহেক্কী মচানুপা অবানসরাই নোংসৈজ (২৮) না থৌরকপা হিগোক মচুগী মার্সিদিস কার অদুনা পন্সর অমদা থোমজিনখি। মোতোর সাইকল অদু দি সাংমা (৩৮) কৌবা মীওই অমনা থৌরকপনি অদুগা মহাক্কী তুংদা প্রোবট আর মরক কৌবা মেঘালায়া পুলিসকী কন্সটেবল অমা তোংবনি হায়রি।

শোক্লবা মোতোর সাইকল থৌরকখিবা শিল্লোং জেলদা পোষ্টিং তাবা মীওইশিং অদু শিল্লোং সিভিল হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনবদা দি সাংমাদি শিনা পুরক্লে হায়না লাওথোরকখি। অদুগা আর মরকপুনা হৌজিক সিভিল হোস্পিটালদা লায়কন্নরম্লবা মতূং নেগ্রিমসতা থাংদোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

মার্সিদিস থৌরক্লিবা মীওই অদু ফারে। অদুম ওইনমক মহাক্না শোয়খিবা নত্তে। বাইক থৌবা মীওইশিং অদুনা শোয়রকপনি হায়রি।

থৌদোক থোকপা মতম অদুদা কনা অমত্তা উহৌদবনা অচুম অরান খঙবা ঙমদ্রি। হৌনবী মতূং ইন্না লৈখিদ্রবা পার্সোনেল অদুগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতূং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রগনি হায়রি।

লৈখিদবগী পাউ পীখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী মীওইশিং শিল্লোং তন্না অশিবা হকচাং লৌননবা লাকখ্রে হায়রি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 28/02/18
Valid : 26/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Canchi Indane**
Booking : 28/02/18
Valid : 21/02/18
Stk : 612
Rate : Rs. 762.50
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 14/03/18
Sl. No. 10548
Valid : 11/03/18
Sl. No. 10189
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Khongnang Gas, Bishnupur**
Booking : 20/04/18
Valid : 18/02/18
Sl. No. 6863
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Athokpam Gas Wangjing & Khongjom**
Booking : 16/02/18
Valid : 31/01/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 21/02/18
Valid : 17/02/18
Sl. No. 50
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Heirok Gas**
Booking : 17/02/18
Valid : 08/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.30 a.m

### সনা-সুদোকু -১১৩৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 6 | 8 | 4 | 9 | 3 | 1 | 2 | 7 |
| 4 | 9 | 3 | 7 | 2 | 1 | 5 | 6 | 8 |
| 7 | 2 | 1 | 8 | 6 | 5 | 3 | 4 | 9 |
| 9 | 7 | 4 | 1 | 5 | 2 | 8 | 3 | 6 |
| 3 | 1 | 6 | 9 | 8 | 4 | 7 | 5 | 2 |
| 2 | 8 | 5 | 6 | 3 | 7 | 9 | 1 | 4 |
| 6 | 3 | 2 | 5 | 7 | 9 | 4 | 8 | 1 |
| 8 | 4 | 7 | 3 | 1 | 6 | 2 | 9 | 5 |
| 1 | 5 | 9 | 2 | 4 | 8 | 6 | 7 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1134**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 7 | | | | 1 | | 9 |
| | | 3 | 6 | | | 4 | | |
| | | | | 2 | | 8 | | |
| | | | | 8 | 9 | | | |
| 5 | 6 | | | | 2 | 9 | 4 | |
| | | | | 6 | | | | |
| | | 9 | | 1 | | 5 | 7 | |
| 1 | | | 7 | | | | | 4 |
| | | 2 | 5 | | | | 6 | |